**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 03-10-2023)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৩-১০-২০২৩, লৈবাকপোকপা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাংঙোম কিরননা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) **হৌজিক ওইরিবা** ফীভম অসিগী য়েংলগা সরকারনা মহৈলোইশঙশিং থা অসিগী ৫ ফাওবা মখা তানা নুমিৎ হুমনি ছুতি থাদোকখ্রে।

২) ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। অদুমওইনমক, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিস্ট্রিক মেজিস্ট্রেতনা নুমিদাং অথেংবদা থোকখিবা হুকুম অমদা জিলা অসিগী ওইনা খুরাই এরিয়দি কার্ফিউ কোমথোকপা অসিদা য়াওররোই হায়রি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা রাজস্তানগী চিত্তোরগরদা লুপা কোতি লিশিং ৭ চংনা পায়খৎকদবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংগী যাত্রা হুনখ্রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**স্কুল(এল)ঃ হৌজিক ওইরিবা** ফীভম অসিগী য়েংলগা সরকারনা মহৈলোইশঙশিং থা অসিগী ৫ ফাওবা মখা তানা ছুতি থাদোকখ্রে। ইদুকেসনগী জোইন্ত সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- সরকারগী স্কুলশিং, এদেদ স্কুলশিং, প্রাইভেট স্কুলশিং, কলেজশিং, অমদি তেকিকেল ইন্সটিট্যুসনশিং ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ৫ ফাওবা নুমিৎ হুমনি ছুতি থারগনি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফম কয়াদা লৈপ্তুনা থিবা হুন্বগী থবক চখ্খরি। রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- ঙ রাংসু ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল,বিষ্ণুপুর অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চখ্খি।

**খোংজং(এল)ঃ** মহৈরোই লিন্থোইঙন্বী অমসুং হেমানজিৎপু তমথিনা হাৎখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙরাং নুমিদাং মফম কয়াদা নুপীশিংনা মৈরা পায়দুনা খোংজং চংশিনখি।

খুরাই থাংজম মমাং লৈকায় ৱিমেন ৱেলফ্যার সোসাইতি, খুরাই থৌদাম লৈকায়, য়ুথ প্রোগ্রেসিফ ক্লব অমসুং য়ুথ সোসিয়েল সোসাইতি খুরাই জেনিল ক্লবনা পুন্না শিন্দুনা ঙরাং নুমিদাং মীহৎ অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা লমলোং কৈথেলদা মৈরা থান্দুনা, হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোংজং চংশিনখ্রে। খোংজং অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মহৈরোই অনি হাৎপদা চেননবশিংগী মথক্তা অকনবা দন্দি পীয়ু, তোঙানবা লৈঙাক লৈবা য়ারোই অমসুং মনিপুরদগী নার্কো তেরোরিস্ত মরু ফংনা মখ্থৎলু হায়বনচিংবা খোল্লোউশিং লাউখি।

ৱিমেন ৱেলফ্যার এসোসিয়েন তেরা সাপম লৈরক য়াওনা তেরা মায়কৈগী মশিং য়াম্লবা নুপীশিংনা থোরক্তুনা ঙরাং নুমিদাং খুৎতা মৈরা পায়দুনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোংজং চংশিনখি।

**কার্ফিউ(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি বিষ্ণুপুর জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। অদুমওইনমক, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিস্ট্রিক মেজিস্ত্রেতনা নুমিদাং অথেংবদা থোকখিবা হুকুম অমদা জিলা অসিগী ওইনা খুরাই এরিয়দি কার্ফিউ কোমথোকপা অসিদা য়াওররোই হায়রি। মফমশিং অদুদি অৱাংদা সওম্বুং এরিয়াদগী খাদা অয়াংপালি লম্বীদা লাক্লগা পোরোম্পাৎ ক্রোশিং ফাওবা, নোংপোক্তা তিনশিদ লম্বীগী তোপ মোইরাংকম্পু থোংদগী লাক্লগা নোংচুপ্তা লমলোং থোং ফাওবগী এরিয়া অসিনি। ককচিং অমসুং থৌবাল জিলাদনা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী ন্‌মিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা করফিউ কোমথোক্লি।

**কেম্প(এল)ঃ** মোইরাং কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা ক্বাক্তা শন্থোং, অৱাং অমদি মখা লৈকায়দা হাংবা রিলিফ কেম্পতা ঙরাং সুর হোস্পিতাল খাংঙাবোক অমদি ডা: সোমেন্স ফাউন্দেসননা শিন্দুনা ১৫ রক শুবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা হোস্পিতাল অসিগী মায়কৈদগী মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হনবা য়ানবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়না মরী লৈনবশিংনা তকশিনখি।

**সি.বি.সি(এল)ঃ** ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাস্তিং মন্ত্রালয়গী সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন ফিল্ড ওফিস চান্দেলনা শিন্দুনা স্বাচত হি সেবা- গারিব কল্যিান, জি-২০ অমসুং ভিজিলেন্স এৱারনেসকী থৌরম অমা ঙরাং চান্দেল জিলাগী চন্দ্রোপোতো খুলদা পাঙথোকখ্রে।

**-তারিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি-**

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং রাজস্তানগী চিত্তোরগরদা লুপা কোতি লিশিং ৭ চংনা পায়খৎকদবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংগী যাত্রা হুনখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ৪,৫০০ চংনা পায়খৎপা মহেসানা-ভাতিনদা-গুরদাসপুর গ্যাস পাইপ লাইন জাতিগী মীয়ামদা কৎথোকখি। প্রধান মন্ত্রিনা চিত্তোরগর-নিমুছ রেলৱে লাইন অমদি কোতা -চিত্তোরগর ইলেক্ট্রিফাইট রেলৱে লাইনসু শঙ্গাখি। মসিগা লোয়ননা স্বাদেশ দরসন স্কিমগী মখাদা নাতৱারাদা পায়খৎপা টুরিজম প্রোজেক্ট অমসু শঙ্গাখি। থৌরমদু ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-সরকার অসিনা শোত্থরবা লমদমশিং চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা অহেনবা মীৎয়েং চংলি। সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী এসপিরেসনলে দিষ্ট্রিক্টশিং খনগৎতুনা চাউখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎলি। সরকার অসিনা ভাইব্রেন্ট ভিলেজ প্রোগ্রাম হৌদোক্তুনা ঙমখৈদা লৈরিবা খুলশিং চাউখৎননবা কন্না হোৎনরি।

**মীজোরামঃ** নুমিৎ হুমনি চত্থগদবা গ্রান্দ গান্ধি জয়ন্তি একজিবিসন আইজোলগী রাজ ভবনদা লৈবা সারকুলর লোনদা ঙরাংদগী হৌখ্রে। একজিবিসন অদু দা রাজ্যপাল ডা: হারিবাবু কম্বামপতিনা লুচিংদুনা মহাত্মা গান্ধিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরমদুদা রাজ্যপালনা হায়-মহাত্মা গান্ধিগী ৱখল্লোনশিংদা য়ুমফম ওইদুনা রাজ্য অদুগী খুৎহৈবশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিং মীয়ামদা নিংথিনা উৎথোকপা ঙমবা একজিবিসন অসি পাঙথোকপনি।

একজিবিসন অসিদা হেন্দলুম হেন্দিক্রাফস অমসুং খাদিগী য়াওনা পুন্না ষ্টোল ৫২ হাংলি।

**হাংঝৌ ঃ** হাংঝৌ এসিয়ান গেমসকী ঙরাং ৯ শুবা নুমিত্তা ভারতনা লুপাগী তকমান অহুম, শেঙ্গেংগী তকমান মরি ফংখি, মসি থারগা সনাগী তকমান ১৩, লুপাগী ২৪ অমসুং শেঙ্গেংগী ২৩ পুন্না তকমান ৬০ ফংলি। ঙসি ১০ নি চনবা নুমিত্তা ৱান হন্দ্রেদ এন্দ ১০ মিতর হরদলস, দিকস থ্রৌ, পোল বাওল্ট অমসুং জেবলিন থ্রৌদা ভারতকী এথলেটশিংগী হৈশিংবশিং উৎকনি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) **হৌজিক ওইরিবা** ফীভম অসিগী য়েংলগা সরকারনা মহৈলোইশঙশিং থা অসিগী ৫ ফাওবা মখা তানা নুমিৎ হুমনি ছুতি থাদোকখ্রে।

২) **ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট** অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। অদুমওইনমক, **ইম্ফাল ইষ্ট** জিলাগী দিস্ত্রিক মেজিস্ত্রেতনা নুমিদাং অথেংবদা থোকখিবা হুকুম অমদা জিলা অসিগী ওইনা খুরাই এরিয়দি কার্ফিউ কোমথোকপা অসিদা য়াওররোই হায়রি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা রাজস্তানগী চিত্তোরগরদা লুপা কোতি লিশিং ৭ চংনা পায়খৎকদবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংগী যাত্রা হুনখ্রে।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি- কিরন**

১৫৪ শুবা মহাত্মা গান্ধি মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবা, শান্তি হঞ্জিলহন্নবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়বা গভর্নরগী ৱাফম অমসুং কুকি এম.এল.এ ১০ গী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা ৱাফম খন্নরি হায়না চিফ মিনিস্তরনা ফোংদোখিবা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

পোকফমদা - ষ্টেট অসি ইং তপ্পা লমদম ওইহন্নবা মীয়াম পুন্না অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি হায়বা গভর্নরগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাক্তকনা থারিবা পোপিশিং মাংহন্নবা দিফেন্স মিনিস্তরনা ইন্দিয়ান ইয়ারফোর্সিতা ওরদর পিখ্রে হায়বা মহেস্বর থৌনাওজমগী ৱাফমনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

এন.আই.এ অমসুং সি.বি.আইনা ফাখিবশিং পুকিং ৪৮গী মনুংদা থাদোকউ হায়বা দিমান্দদা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা তোতেল সথদাউ হৌখিবা অমসুং বি.জে.পিগী মন্দল ৬০ গী প্রসিদেন্তশিংনা জে.পি নদ্দা উন্নবা তকশিনখিবগী পাউশিংনা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা- ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসননা দেঙ্গী মেনিংজাইতিস য়াওনা মলেরিয়াগী অনৌবা হিদাকশিং রিকমেন্দ তৌখ্রে অমসুং মনিপুর লৈঙাকা স্কুল পুমমক থা অসিগী ৫ ফাওবা ছুতি থাদোকখ্রে হায়বা পাউশিংনা অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপল ক্রোনিকেলদা- নাগা অমসুং কুকি সি.এস.ওশিংগী মারক্তা য়াশিন্নবা প্রকখ্রে অমসুং য়ুথ ওফ মনিপুরগী এজেন্দা মনিপুরগী ইন্তরেস্তা নত্তে হায়বা মিনিস্তর সুসিন্দ্রোগী ৱাফমনা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

লাঞ্জেন্নরুরবশিং থা ৫ গী মতুংদা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিন্নবা হোরে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।কুকিগী এম.এল.এ ১০ দিসক্কালিফাইদ তৌবগী মতাংদা খন্নরি হায়বা চিফ মিনিস্তরগী ৱাফম অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তরেৎশুবা পে পীখিবা চহি ৪ হৌখ্রবসু শিন্মীশিংগী অনৌবা খুৎশুমানদি লেপ্পীদ্রে হায়বা কলর হেদলাইন অসিগা লোয়ননা লেবর মিনিস্তরনা এসেমবিদা কয়ারক হন্না থাজবা পীখ্রবসু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রে হায়বা হেদলাইন অসিন সনা লৈবাক পাউচেগী অনিশুবা পাউ ওইরি। পি.আর থমবা হোৎনৈ হায়বা ৱাফম য়ুমফম য়াওদবনি হায়না য়ুথ ওফ মনিপুরনা ফোংদোরকখিবা ৱাফম অমসুং গভর্নর সি.এমনচিংবনা মহাত্মা গান্ধিগী মীতমদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে হায়বা পাউশিংনা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা -মনিপুর হ্যুমেন রাটস কন্মীসনগী মীহুৎ কাংবু অমনা কামজোং জিলাগী চাদোং খুলদা চৎতুনা মফম অদুগী লুচিংবশিং অমসুং খুঞ্জাশিংগা উন্নখিবগী পাউনা পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ইচেল এক্সপ্রেসতা - মহাত্মা গান্ধিগী মপোক কুমওন থৌরম পাকশন্না পাঙথোকখ্রে , মনিপুরগী ইরাং ৱারি শান্নদুনা লোইশিন্নবা হোৎনসি হায়বা গভর্নরগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন ওইরি। চুরাচন্দপুর খুন্তাক লানশিরে, কোতুনা নেসনেল হায়ৰে সথদাউন লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা -কুকি এম.এল.এ ১০ গী ৱাফম খন্নরি হায়না সি.এমনা ফোংদোকখিবা অমসুং শান্তি লাকবা হোৎনমিন্নসি হায়না গভর্নরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

কুকি এম.এল.এ ১০ দিসক্কালিফাইদ তৌবগী ৱাফম খন্নরি হায়বা সি.এমগী ৱাফম অমসুং ইন্দিফিনিত সথদাউননা চুরাচান্দপুর জিলাদা মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীরে হায়বা পাউশিংনা গানফিউ মেলগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

তমেংলাং টাইমসতা - সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালনা অৱাংনোংপোক ভারত্তা এ.আই.এদেদ দাইবিতিস তেস্ত মেছিন লৈবা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল ওইরে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা - নাগা অমসুং কুকি সি.এস.ওশিংগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকখ্রে , স্কুলশিং ওক্তোবর ৫ ফাওবা ছুতি থাদোকখ্রে অমসুং সি.বি.আই অমসুং এন.আই.এনা মনিপুরদা মীফা মীপুনা তৌবদা কা হেনবা থৌওং চথখি হায়না আই.টি.এল.এফনা মরাল শিরিবা অদু সি.বি.আই অমসুং এন.আই.এনা য়াখিদ্রে, মতিক চাবা প্রমান লৈবদগী ফাখিবনি হায়বা পাউশিংনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

-----কিরন-----